বি জে পি শুগুনু মন্দলগী মীৎয়েং মখাদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্বলী মীখলদা শুগুনু এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. কে মুক্তাসনাগী মীখলগী কেম্প্যেন তাংজেং খুনৌদা হৌদোকখিবা

লাইনিংথৌ লম অহিংবা থৌগল লূপ কৈনৌনা শীন্দুনা ওইনাম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন লাইশ্রম রাধাকিশ্বরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম

RECEPTION PROGRAMME
Shri L. Radhakishwore Singh
PRESIDENT
CHIEF GUEST

মোইরাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শিন্দুনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা নুপীশিংদা ফিশাকোল অমদি সেৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখবা

কৈশামথোং হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সমগ্রা সিক্ষ্য স্কিমগী মখাদা লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী স্কুল য়ুনিফোর্মশিং জেদ ঈ ও জোন ৱান সুছেতা খুমুকচমনা মরী লৈনবা স্কুলশিংগী ওজাশিংদা খুৎশিন্নখিবা

SAMAGRA SHIKSHA SCHEME
GOVERNMENT SCHOOLS IN IMPHAL WEST

ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেলগী য়ুনিট অমা ওইরিবা অইবশিংগী লূপ (এ এস এল)কী অহানবা ফাউন্দেসন দে ঙসি হোলিদে হোটেল কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা এ এম কে টি পি দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি টি ঐচ বাদন মৈতৈ, রাইটর এম অশা অমদি এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

অইবশিংগী লূপ (এ এস এল) গী সেক্রেটরি ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা ঐখোয়না এ এস এল লিংখৎখিবগী মরুওইবা মরমদি নৌনা অইবগী লমদা খোঙদারক্লিবশিংগী ওইনা খুদোংচাবা পীনবনি। খুন্নাই অমা অফবা লম্বীদা পুখৎনবা অমদি অশোয়বা কয়াবু শেমদোক্লবা হোৎনবদা অইবা/অইবীশিংগী থৌদাং চাউই। মথংগী চহীদগী এ এস এলনা শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচানচিংগী লাইরিক লেপ্পুনা পুথোকপা হৌরগনি। লাইরিক ফোঙবীনিংবশিংনসু এ এস এলনা মীয়ামগীদমক থমজরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌবীয়ু। নহাশিংগী ওইবা শৈরেং শৈদিন্নবনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়রি।

স্কুল য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): সমগ্রা সিক্ষ্য স্কিমগী মখাদা পীবা স্কুল য়ুনিফোর্মশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেদ ঈ ও জোন ৱানগী মখাদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। কৈশামথোং হায় স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা জেদ ঈ ও জোন ৱান সুছেতা খুমুকচমনা কৈশামথোং, সগোলবন্দ এ সী, শীংজমৈ এ সী অমসুং থাংমৈবন্দ এ সীদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংগীদমক য়ুনিফোর্মশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

চাকথোং গ্যাস য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : সেবা ওর সমর্পন অভিয়ানগা মরি লৈননা চৎথরকপা মতেং পাংবগী থৌরম অমা ওইনা ঙসি খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌদা প্রধান মন্ত্রি উজ্জৱালা স্কিমগী মখাদা লৈবা বেনিফিসরিশিংদা খাঙবোক এ সীগী হন্টেন্দিং কেন্দিদেট কেঐচ মেঞ্জোর মঙাং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিং মখাদা চাকথোং গ্যাস য়েন্থোকখ্রে।

মেঞ্জোর মঙাংনা থৌরম অদুগা মরি লৈননা ফোঙদোকখিবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা, নুংশিনা অমদি লুনা খনবিবগী হৌদোকখিবা স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা লৌদুনা মাইনোরিটিমুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংদসু য়ৌহঞ্জবনি। য়ুম অমা লৈকায় অমা চাওখৎপদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু শিংথারদুনা ঈং-তপ্পা মরা চেৎপা লৈকায় লমদম অমা ওইমিন্নরসি হায়খি। থৌরম অদুদা মেঞ্জোর মঙাংবু শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তৌরু-তৌরু থবক্তা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌজাল পীনখি হায়রি।

পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা ৱি আর কনেক্টেদ হায়বা থীমদা লায়ন্স ইন্টরনেসনল পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অমা ঙরাং চিঙামথক কোলেজ রোদ য়ুথস দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী কম্যুনিটি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অদুদা মশাগী চহী ১১দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় ৪৫না শরুক য়াখি। কন্টেষ্ট অদুদা নির্মলাবাস হায় স্কুলগী ব্রেনিনা অহানবা, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়াগী জে সিকানা অনীশুবা অমসুং অশুস স্কুলগী ফিদমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। চাংদম্নবা অসিদগী খ্বাইদগী ফজবা পোষ্টর অনী মল্টি লেভেল কম্পিটিসনগীদমক থারগনি হায়রি।

জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি : লূপশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল মর্দর ওফ অথুৱান অবোনমাইনা মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংননবা হোৎনবদা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিং অমদি থবক থৌরম খূদিংমক্তা কনিদসন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়না তোঙান-তোঙানবা লূপশিং হায়বদি ইপসা, অকোম লূপ, পান্দম, ইপাক, কংলামৈ, কিল, সী এল কে অমদি কে এস এগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

JUSTICE FOR
ATHUAN ABONMAI
MESSIAH OF PEACE & UNITY
CANDLE LIGHT TRIBUTE & PROTEST
AGAINST THE INHUMANE ASSASSINATION OF
OJA ATHUAN ABONMAI
FORMER PRESIDENT ZELIANGRONG BAUDI

লূপ ৮ অসিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জেলিয়াংরোং বাউদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর ওইরিবা লুচিংবা অথুৱান অবোনমাইবু তমথিনা হাৎখিবা থৌদোক অসি ইপসা, অকোম লূপ, পান্দম, ইপাক, কংলামৈ, কিল, সী এল কেঅমদি কেএস এনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা মহাকপু নুংথিল পোবোপতা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মমাঙমক্তগী মীওই ৭/৮না ওভর পৱার তৌরগা নমদুনা ফারগা পুখিবা মতমদা মফম অদুদা দ্যুটি তাদুনা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অদুনা করিসু তৌদনা কুম্দ্ধেগুম য়েংদুনা লৈথোকহৌরবা মতুংদা অথুৱান অবোনমাইবু মফম অদুদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা লৈবা মফম অমদা তমথিনা হাৎতোকপীদুনা হুন্দোকপীরল্লিবা মতৌ অসি হৌনদবা অমদি খ্বাইদগী পাংদবা, মীওইবগী ৱাখল্লোন লৈতবা খুৎপুনা চথগদবা লীচৎ-শাজৎনি হায়না লূপ ৮না লৌই। অদুক চাউবা থৌদোক অদু থোক্লকপদা মখুৎ মক্রাংদা লোৎশিন্দুনা লৈহৌরিবা ষ্টেটকী পুলিসশিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক অসিনা থিগৎতুনা চপ চাবা মরমশিং খঙদোক্লনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীওইবা অমগী পুন্সিগী মমল অদুসু লৈবাক্লা মশক খঙলবা মমল য়াল্লবা লমদম অসিগী ফিজিগী মনি ওইরবা অবোনমাইগুম্বা অমগী পুন্সিগী মমল লৈঙাক অসিনা খঙলমদবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মীয়াম্না ঙসিদি অবোনমাইগী থৱায় মাঙখ্রবা মতমদা মহাক্কী পুন্সিগী মমল অসি তাক্লবনিনা মসি খঙনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মহাক্কীদমক্তা তৌফম থোকপা থবক খূদিংমক মপুং ফানা পাঙথোক্কদবনি। অথুৱান অবোনমাইদি কংলৈপাক্কী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। মহাক্তি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ-ফুরুপশিং অসিবু নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবনা খ্বাইদগী অচুম্বা লম্বী ওইগনি হায়না ময়েক শেংনা লাউজরম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক্তি লমদম অসিগী পিছ অমদি য়ুনিটিগীদমক্তা চোংথোরকখিবা অচঙবা চীংবুরোয় অমনি। মহাক্লা খুন্নাইগীদমক তৌরম্বশিং অসি ইরৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী কথোকপনি হায়না লৌই। মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপুগী নাক্তা ঈংনা পোত্থাবা ফংজনবা অমদি মহাকপু মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখিবা অসিবু য়ানিংদবা উৎপা ওইনা লূপ ৮না পুনশিন্দুনা মহাক্কী মফমদা মৈরা অমমমতা ওইরবসু কৎচদুনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু লূপ ৮ অসিনা শরুক য়াজরি হায়রি।

অনা-অয়েক্লা অৱাবা তারবা ইমুং ৪৫দা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি এ সী অসিগী মনুংদা অনা-অয়েক য়াওবদগী অৱাবা তারবা ইমুং ৪৫দা লুপা লিশিং ৫/৫ তেংবাঙদুনা ইমুংশিং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙখিবা অপূনবা শেনফম লাখ ২.২৫ অসি ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মনুংদা লৈবা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা অঙম-অঙম্বা খায়গৎনরগা এম এল এ ব্রোজেনদা খুৎশিন্নরকখিবা অপূনবা শেনফম লুপা ৪,৬৫,৮৪০গী মনুংদগী পোল্লিং কম্মিটিশিংনা খনগৎলকখিবা অনাবা মীওই ৪৫গী ইমুংদা তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখিবনি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা ৱাংজিং কাইরেম্বীখোক অমদি তেন্থাদা লৈবা অনাবা ২৪দা বি জে পি ৱাংজিং-তেন্থা মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ ব্রজকিশ্বর, ঐচ চাওবা, এন জি সুরজিৎ, টি সুবোলনচিংবা মরুওইবা মীওইশিং অমদি পোল্লিংগী থৌপুবশিংগা লোয়ননা মতেং পাংখি।

লাঙথেল, ফুন্দ্রে, সাপম, তেকচম অমদি পাপলদা লৈবা অনাবা ২১দনা বি জে পি ৱাংজিং-তেন্থা মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমকুমার, এল কুলাধজ, ঐচ ইবোচৌবা অমদি পোল্লিংগী থৌপুবশিংনা খুৎশিন্নখি।

ৱাংজিং-তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অনাবা মীওই ৪৫গী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা শুফম নোম্ফম খঙনদ্রবা ৱানরবা মতম অসিদা শেলগী তেংবাঙ পীরকখিবা অসিগীদমক্তসু এম এল এ ব্রোজেন অমদি বি জে পিগী ৱার্করশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

ৱর্ল্ড টুরিজম দে থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মালেমগী মফম খূদিংমক্তা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱর্ল্ড টুরিজম দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

মণিপুর টুরিজম ফোরম অমসুং সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুন্না শীন্দুনা ৱর্ল্ড টুরিজম দে ২০২১গী থৌরম ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়ম, নম্বোলগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর এল রাজমুহোননা চীফ গেষ্ট, মণিপুর টুরিজম ফোরমগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ কৃষ্ণননা প্রসিদেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান্দবাবু, সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহল মৈতৈ অমসুং মণিপুর টুরিজম ফোরমগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ধল্লিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) কৈরাও, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড টুরিজম দে ২০২১গী থৌরম মাসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈরাও গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কঙাবম চৌরজিৎ মৈতৈ, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটকী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু জাদুমনি, মাসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু সুশিলকুমার অমদি মাসিগী প্রসিদেন্ট এন শরতচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মাসিগী জেনরেল সেক্রেটরি নিঙোম্বম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহীদা নোংমাই চীংদা লাম্মৈ ১৮ রোম চাকখি। মরম অসিনা চীং অসিদা হৌবা উ-ৱা কয়া অমাঙ-অতা থোকখি। মরম অসিনা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক নোংমাই চীংদা লাম্মৈ থাবা থিংননবা হোৎনসি। নোংমাই চীংগী মফম কয়ামরুমদা ঈশিংগী ঈফুৎ লৈরম্বদুসু হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। মসি উ-ৱা কয়া য়াম্থৎখিবা অমদি লাম্মৈ থাবনা ওইহল্লকখিবনি।

লোক্তাক পাৎ অমদি নম্বুল তুরেল অসি হৌজিক খম থেংনা মোৎশিল্লক্লে। মসি মীয়াম পুন্না মোৎশিনহন্দনবা হোৎনসি। মসিগীদমক মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা লম ঙানু অমদি তেনৱা কয়ামরুম পাইরক্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি উখিদ্রে। মসি করিদগী ওইরকখিবনো হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে। লম্লক্কী শা-উচেক অমদি লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেকশিং ফাবা অমদি হাৎপা তৌবীগনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বুথ লেভেল মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): বি জে পি লম্লাই মন্দলনা শীন্দুনা পোল্লিং বুথ নম্বর ৮/১ শওম্বুং, ৮/২ শওম্বুং কবুই খুঞ্জাও, ৮/৩ ইতম নুঙ্গৈই, ৮/৪ সেক্তা লৌসাংখোং, ৮/৫ হুইদ্রোম অমদি ৮/৬ সেক্তা ময়াই লৈকায় হায়রিবা পোল্লিং বুথশিং অসিগী ওইবা বুথ লেভেল মীটিংশিং পাঙথোকখ্রে। বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন ইরাবতকী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা বুথ লেভেল মীটিংশিং অদুদা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেম্বলী মীখলদা লম্লাই এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্ননবা অমদি পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা বুথকী থাক্তা অকনবা থবক পায়খৎননবা ৱাফমশিং খন্নখি। থৌরমদুদা বি জে পি লম্লাই মন্দল অমদি বুথ কম্মিটিগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লাইনিংথৌ লম অহিংবা থৌগল লূপ কৈনৌনা শীন্দুনা ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন লাইশ্রম রাধাকিশ্বরবু অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কৈনৌ থোংখাদা লৈবা লোয়লাকপা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাইশ্রম রাধাকিশ্বর এম এল এ ওইনাম এ/সী, দব্লিয়ু হোমেশোর প্রসিদেন্ট লাইনিংথৌ লম অহিংবা থৌগল লূপ কৈনৌ অমদি থৌগল লূপকী চীফ এদভাইজর এস দেবেননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা য়াওশং স্পোর্টস কম্মিটি কৈনৌ অমসুং কৈনৌদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী কয়া য়াওনা অখণ্ড-অহৈ, অহল-লমন কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধাকিশ্বরনা হায়খি, লাইনিংথৌ লম অহিংবগী মতিক মগুননা ঙসিদি মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা কৈনৌবু মশক খঙবীবা ঙল্লিবনি হায়রদুনা মহাক্লা মখা তানসু লাইনিংথৌগী তৌবা য়াবশিং তৌখিগনি। লোয়ননা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপূনবগী পাঙ্গল উৎলসি। লাইনিংথৌ লম অহিংবদা থম্মোয় শেংনা নীজবা হায়জবা মতমদা লাইনিংথৌনা চানবীবা অসি ঐখোয়না খঙনরবনি। চহী খূদিংগী পাঙথোক্লিবা থৌরমদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবসু থৌগল লূপনা হোৎনবীয়ু। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না মীয়ামদা থাজবসু পীখি।

থৌগল লূপকী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু হোমেশোরনা হায়খিবদা, মণিপুরদা লৈরিবা মশক নাইরবা অরুবা লাইফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অমদি থৌরম শিনবা লাংবদসু থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না খঙনরবা লাইনিংথৌ অসিবু লমদম অসিগীতা নত্তনা লৈবাক মীয়াম অপূনবগী ওইদুনা লমদম অমা খুন্নাই অমা শেম্বদা শরুক য়ানবা হোৎনদুনা হেন্না মশক থোকপা মফম অমা ওইনবা হোৎনবদা থৌগল লূপনা হোৎনজরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা এ সী অসিগী এম এলএনসু হৌবদগী ঙসি ফাওবা লেপ্পা নাইদনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংবীবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইনিংথৌ লম অহিংবা থৌগল লূপ অমদি য়াওশং স্পোর্টস কম্মিটি কৈনৌদা এম এল এনা মহাক্কী মায়কৈদগী নাপী কক্লবা মেছিন (গ্রাস কট্টর মেছিন), তুলু পাইপনচিংবা পোৎলম কয়াসু মতেং পাংখি।

ৱাটর ফিল্টর খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কানাদানা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্দ এজ হোমদ লৈরিবা অহলশিংদা অঙৗংবা অমসুং অশাবা অফবা ঈশিং থকহন্ননবগী হোট এন্দ কুল্দ অলকলাইন্স রিভর্স ওস্মোসিসকী ৱাটর ফিল্টর অমা খুদোল তমখ্রে।

ৱাটর ফিল্টর অদু ঙসি অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুনবা ৱাশক লৌখ্রবা ইন্টরনেসনল কুং ফু এন্দ কিক বোক্সিং ইন্দিয়াগী ফাউন্দর সিফু টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা খুৎশিন্নখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কনাদা অসি ইরমদম অসিদা লৈত্রগসু মখোয়না কোভিদ-১৯ থেংনবদা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংলকখিবা অমদি ঙসিসু ওল্দ এজ হোমদা লৈরিবা অহলশিংগীদমক মতেং পাংলক্লিবা অসিনা মখোয়না পোক্লফম লমদম অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্বু অদুক্কী মতিক নুংশিজে হায়বদু উৎলে। মখা তারকপদসু লমদমসিগী অৱা-অনা, লৈত-লায়র কয়াদা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাংসু মতেং পাংখিবগা লোয়ননা হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংগীদমক চীঞ্জাক্কী মতেং পাংখি।

ইপাক্লা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): চীং-তম খায়দনা অপূনবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনরমখিবা জেলিয়াংরোংশিংগী লুচিংবা অমা ওইরিবা অথুৱান অবোনমাইবু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা চীফ মিনিষ্টর য়াওবা থৌরম অমা য়াওবা চৎপদা তমেংলোংগী এপোলো গ্রাউন্দ মনাক্তগী সিক্যুরিটি ফোর্সকী মমাঙমক্তগী ফারগা লৌতুনবা মওংদা মীহাৎ থিনা হাৎতুনা হুন্দোক্লম্বা অসি ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমদি জেলিয়াংরোং ফুরুপশিংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ইপাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক (মণিপুর) লমদমসিবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুম থোক্লা থুগায়নবা মরদ্ধ হুল্লিবা বিল অমা ওইরিবা দি মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বিল ২০২১ অসিবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীফমদা পুথোক্লনবা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অমদি চীংদা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টিখরনা হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা ইনশিনবা, লৌতুনবা অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুদা য়াওরিবশিংনা চীংগী সী এস ও অমদি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংগী মিং শীজিন্নদুনা অরানবা মওংদা ঈহৌ চঙশিন্নবা শীল্লিবা অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবা অমদি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপশিং য়ানিংদবা উৎলুবা লুচিংবা অথুৱান অবোনমাইবু হাৎলম্বগী থৌওং অসি টেররিষ্টকী মশকনি হায়না লৌই। মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখ্রবা লুচিংবা অথুৱান অবোনমাইগী মীশিগা মরী লৈননা শেল্লিবা জে এ সী অমদি লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ইপাক্লসু শরুক য়াবগা লোয়ননা শৌগৎকনি হায়রক্লি।

বি জে পিদা য়াওরকখ্রবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ৱাঙু জিলা পরিষদ মেম্বর ওইনা ইলেক্সন থেংনরম্বা শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা, ৱাঙু তেরাদগী অমোম সোভা য়াওনা কোংগ্রেসতা লৈরম্বা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৩, ৪, ৫দগী ইমুং ১৮গী ভোটর ৭২না শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা কে ঐচ ইবোয়াইমগী লমজিং মখাদা বি জে পিদা য়াওরকপদা মখোয়বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ৱাঙু তেরা লুপা মরুপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বর সনসম ইবোতোম্বা, ৱার্দ নম্বর ৪গী মেম্বর লোইতোংবম জয়েন্ত অমদি অমোম হৈথুম্বা অমদি লোইতোংবম ঙাংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কে ঐচ ইবোয়াইমনা হায়খিবদা, লাক্কদবা ইলেক্সন অসিদদি শোয়দনা বি জে পিগী টিকেট ফংবা কেন্দিদেট অদুনা মায় পাক্লগনি। মরম অদুনা করিগুম্বা মহাক্লা টিকেট ফংদুনা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদগী মায় পাক্লগদি এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা থাজবশিং কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই হায়খি।

সেপ্টেম্বর ৩০দা দাক অদালট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস বাবুপারাগী মথক্তা লৈবা দিরেক্টর পোষ্টেল সর্ভিসেস মণিপুর দিভিজন ইম্ফালগী ওফিসতা দিভিজনল লেভেলগী দাক অদালট অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩০গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস, মণিপুর ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দাক অদালট অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা পোষ্টেল সর্ভিসকী খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নগনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা কষ্টমরশিং অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবগী মনুংদা পোষ্টতা নৎত্রগা ঈমেল supdt.manipur@gmail.com গী খুথাংদা খঙহনবীরকউ। দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফশিংনা হায়রিবা ইস্যুশিং অদু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংননবা হোৎনগনি অমদি পোষ্টেল দিপার্টমেন্টগা কষ্টমর অমদি মীয়ামগা হেন্না মরী ফহন্ননবগীদমক পীরকপা সজেসনশিংসু লৌগনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থোঙাম শান্তিনা ফিশাকোল অমসুং সেৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : মোইরাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শিন্দুনা পিপল দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (পি দি এস), ইম্ফালগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ নুপীশিংদা পীবা খুদোংচাবশিংগী মনুংদা মোইরাং ঙাঙ্খুলৱাইমন্দোপতা লেম্না ফিশাকোল অমসুং সেৱিং মেছিন এস ঐচ জি শিংদা খুৎশিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা থোঙাম শান্তিনা হায়, মোইরাং এ সী অসিদা লৈরিবা নুপীওইবিশিং অসিনা ইমুং-মনুংগী শেনমিৎলোনদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্নবা হায়দুনা মহাক মশামক অমসুং এম কে পি এফ, পি দি এসতা হায়জদুনা এ সী অসিদা লৈরিবা মরুওইনা ৱার্ক কলচরবু পামজবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী পি দি এসকা খুৎশম্নদুনা বেঙ্কী খুৎথাংদা অপিকপদগী হৌদুনা অচৌবা ফাওবগী শেল, ফিশাকোল অমসুং সেৱিং মেছিন কয়ামরুম পীদুনা লাক্লি। মমাংদা মোইরাং এ সীগী লুচিংবা মীওই কয়ামরুম্না নুপী খূদিংমক চাওখৎনবা অসিগুম্বা মখলগী থৌরম থৌশিল কয়াবু মমুৎ তানা তাকপিরমদবা, মাংলমচৎতা খুদোংচাবা কয়ামরুম অমত্তা ফংলুদ্রবনি। অদুবু ঙসিদি মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা হোৎনজদুনা পি দি এসকী খুৎথাংদা নুপী সোসাইটি কয়ামরুম সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কয়ামরুমদা শেনমিৎলোন ফগৎনবগীমক মতেং পাংদুনা লাক্লি। পুম্নমক অসি খল্লুরগদি পি দি এস চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর টিঐচ বিরমঙ্গোলবু কেন্দ্র অসিগী নুপী খুন্নাইনা তৌবিমল খঙনা ইকায় খুম্নফম থোকপ্রা হায়না খল্লি হায়খি।

বি জে পিগী এম এল এ লৈহন্দুনা অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎননবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি : বিনোদ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী চহী ২১ এম এল এ ওইরম্লবা অমনা শুগুনু এ সীদা বেঙ্ক অনী শুনা থম্বা ঙমদবা মীওইদা অমুক হন্না ভোট পীদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলরোইসি। বি জে পিগী এম এল এ লৈহন্দুনা অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎননবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়না শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইরিবা ময়াংলম্বম বিনোদ, পোলিটিকেল এক্টিভিষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ককচিং খুনৌদা লৈবা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা বিনোদকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম অমদি মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা দিকেদ অনী শুরকপগী সেবা ওর সমরপন অভিয়ানগী থৌরমদা ময়াংলম্বম বিনোদনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, চহী ২১ শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা এম এল এ ওইরক্লগা এ সী অসি লৌফম কয়া লৈ, হার (য়ুরিয়া) বেগ কয়া মথৌ তাই হায়বা ফাওবা খঙলমদবা অসি লাইবক থীবনি। এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবশিংনা হার লল্লোনবগী থবক তৌই হায়না মীদিয়াদা লাউরিবসি লাইবক থীবনি। এম এল এ অসিনা লমদম অসিগী লৌমী মীয়াম্না হার ফংদবগী ৱানরবা মতমদা হার ফংহনবা ঙমদবা, এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী শুগুনুদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অনীশুবা হোস্পিটাল অসিদা অল্ট্রা সাউন্দ মেছিন অমা ফাওবা থম্বা ঙমদবা এম এল এ অসিবু করম্বা মখলগী এম এল এনো। হৌজিক্তি সেন্টর অমসুং ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরে। শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদসু কোংগ্রেসকী এম এল এগী মতম লোইহন্দুনা বি জে পিগী এম এল এ অমা লাক্তুনা অৱাৎ-অপা কয়ানা থল্লবা কয়া অসি মেনখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি। মহাকপু মীয়াম্না নুংশিবীদুনা এম এল এ ওইহনবীরবদি চহী অমগী মনুংদা অহোংবা, মাঙলোমদা চঙশিনবা চাউখৎপা শুগুনু এ সী অমা ওইহঞ্জগে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্না চ্যেরপর্সন কে ঐচ লৈমা, হান্না ভাইস চ্যেরপর্সন টি ঐচ রোশিনি, হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন এ অহনশাবী, হান্নগী কাউন্সীল্লর কে ঐচ রাধামনি অমদি অতৈ ককচিং খুনৌগী শক্লাইরবী নুপীশিংনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্না কোংগ্রেস পার্টিদা ভোট পীরম্বা ককচিং খুনৌগী মীওই কয়া বি জে পিদা ময়াংলম্বম বিনোদপু শৌগৎতুনা চঙলকখিবা মীওইশিংদা বি জে পিগী লেংয়ান ফি য়ানবীদুনা তরাম্না ওকখি।

লায়েংবা ঙমদদুনা লৈরকখিবা কুমার জেনিমসতা লায়েংনবা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা শুগুনু খৌবুক, চীংয়াদগী চিঙ্গাংবম কুমার (৩৬)গী মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরকখিবদু জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা লায়েংনবা শুগুনু এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থিংনাম ইবোমচানা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ঙসি পুখৎখ্রে।

শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থিংনাম ইবোমচা, পোলিটিকেল এক্টিভিজনা ফোঙদোরকপদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম, সেবা ওর সমরপন অভিয়ান থৌরমগী মনুং চন্না শুগুনু এ সীগী মনুংদা লৈরিবা কুমারবু লায়েংবদা মথৌ তাবা সী এম ঐচ টি কার্দ শাবীবা অমদি লায়েংবদি সী এম ঐচ টি কার্দনা কোনশিন্দবা, মথৌ তাবা অহেনবা অচঙবা শেনফম মহাক্লা তেংবাঙদুনা লায়েং চথনবা ঙসি জেনিমসতা পুখৎপনি। মীদিয়া অমদি সোসল মীদিয়াদা থেংনরকপদগী কুমারবু লায়েংনবা অমদি সী এম ঐচ টি কার্দ শাবীবগী থবকশিং অসি চথদুনা লাকপনি। ডোক্তরগা তান্নরুবদা ওপরেসন অমা মথৌ তাই হায়রকপদগী ঙসি মহাক মশানা এম্ব্যুলেন্স ৱাইদুনা পুখৎপনি।

শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়র, লায়েংবা ঙমজদদুনা লৈরিবা মীওই কয়া লৈরমখিগনি। মখোয়শিং অদু মহাক মশানা অঙম্বা থাক্তা তেংবাঙদুনা লায়েংবীবগী থবকশিংসু মখা তানা চত্থখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুমারগী লোয়নবী রোজিতানা ফোঙদোরকপদা, মহাক্কী মপুরোইবা মতম শাংনা লায়েংবা ঙমদদুনা লৈরকখিবা অদু শুগুনু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থিংনাম ইবোমচা, পোলিটিকেল এক্টিভিটিজনা তেংবাঙবীদুনা লায়েং চথবীদুনা মতেং পাংবীরক্লিবা অমদি অতৈ মীওইশিংনসু মতেং পাংবীরক্তুনা মপুরোইববু লায়েংবীদুনা অমুক হন্না মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্নবা হোৎনবীরিবা খূদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।